ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবমনা ইমা ইমোইনু প্রাইভেট লিমিটেদ গুৱাহাতিগী মতেংগা লোয়ননা ইমাখোলগী লূপলোয় এন জি বিজয়া কৈশামনা ইবা *লোন্থোক্তবী ৱাকৎচে* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ফোঙখিবা

বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি লন্নাই মন্দলনা শীন্দুনা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী বার্থ এন্নিভর্সরি অমসুং বলিদান দিবসকা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা লুচিংদুনা সৈজাংদা লৈবা খুরাই লৈমা চীংদা উ চারা থাখিবা

লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা জিরিবাম এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোওপরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে শরতকুমারনা জিরি টিপাইমুখ লম্বীগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনখিবা

ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী এদভোকেসি মীটিংদা ওফিসলশিংনা ৱা ঙাংবা

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমনা ইমা ইমোইনু প্রাইভেট লিমিটেদ গুৱাহাতিগা পুন্না শীন্দুনা ইমাখোলগী লূপলোয় এন জি বিজয়া কৈশামনা ইবা *লোন্থোক্তবী ৱাকৎচে* হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ইমা ইমোইনু প্রাইভেট লিমিটেদ গুৱাহাতিগী ওফিসতা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ইমাখোল অৱাং পোৎশংবমগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা ইচেম্মা অমদি অরান্বাই ন্যুজগী এদিটর ওইরিবা এদিটর ডা. পি ঐচ বিরমনিনা অথোইবা মীথুং, ইমাখোলগী লাইফ মেম্বর টি ঐচ শ্যামনা প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী প্রসিদেন্ট ঐচ হেমাগোননা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিনা ইমাখোলগী ১০২শুবা লাইরিকনি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা মালা জিরিবাম অমদি ইমাখোলগী লূপলোয়শিংগা লোয়ননা মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিবীবা অইবা-অইবী কয়ানা ওনলাইন অমদি ওফলাইনদা শরুক য়াখি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসি থেংনবদা মতেং ওইননবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মৈত্রম অৱাং লৈকায়গী য়ুমথোঙশিংদা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সোরাইশম মনাওতোননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মৈত্রম কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংগা লোয়ননা য়ুমথোঙ খূদিং চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। লোয়ননা টাস্ক ফোর্স অসিদসু ডা. এস মনাওতোননা শেলগী তেংবাঙসু পীখি।

ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): সিটিজন এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভেলপমেন্ট (সী এ আর দি) ৱাবগাইনা পরিং নাইনা চথুরকপা কোভিদ-১৯ মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম কৈরক মনিং লৈকায় ৱাই দি এ মান্দপ অমসুং দব্লিয়ু ঈ এস ক্লব ৱাবগাই থিঙেল লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা মীওই কয়ামরুম কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা অরৈবী থাদুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনরি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা ভেক্সিন কাপ্পা য়াম্নমক তঙাইফদে। মরম অদুনা মীপুম খূদিংমক অকিবা লৈতনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। লোয়ননা মীয়াম পুন্নমক চেকশিনবীয়ু হায়নসু সী এ আর দি ৱাবগাইগী জেনরেল সেক্রেটরি এম মনিশ্বর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম এ সীগী মফমশিংদা মাস ভেক্সিনেসনগী কেম্প্যেন চথুরকপা অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লৈতানপোকপীদা এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী মতেংগা লোয়ননা লৈতানপোকপী সেকেন্দ ৱেভ কোভিদ টাস্ক ফোর্সকা খুৎশম্নদুনা মীয়াম কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়রি।

মাস্ক, সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী সেবাহি সঙ্ঘথনগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীদিয়া সেলগী কনভিনর অমসুং কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এস ঐচ কালানা ঙরাং খুন্দ্রাকপম এ সীগী হরাওরৌ কম্যুনিটি হোলদা চথখিবা ভেক্সিনেসন কেম্প্যেনদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীওইশিংদা থক্লবা ঈশিং, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

লৈঙাক্কী অথিংবা থুগায়বশিং অমদি গাইদলাইন ঙাক্তবশিংদগী লুপা ক্রোর ২.৪ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা থন্লিবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী অথিংবা থুগায়বশিং অমদি গাইদলাইন ঙাক্তবশিংদগী মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩.৪ হেন্না ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈঙাক্কী অথিংবা অমসুং গাইদলাইন থুগায়বা মীওই ১,৫০,৭৩০ দিটেন তৌদুনা লুপা ২,৪০,৪২,৯৬০ ফাইন ওইনা খোমগৎখিবনি।

ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রবা শেনফমশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২৯২৩২দগী লুপা ৫৯,৫৮,২৫০; ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৫৪৩৬ তগী লুপা ১৪,৯১,৭১০; থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৬৮২৩৪দগী লুপা ৬৪,১১,৯৭০; ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৫৯৯৫দগী লুপা ২৩,১৬,৫৫০; চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১০৩০দগী লুপা ১,৩৬,৮০০; তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৫৫৩দগী লুপা ৮৫,১৩০; বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২৩৪৭৮ দগী লুপা ৪৩,৬৫,১৯০; চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৯৫১৩দগী লুপা ২০,৪৩,৩০০; উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১৯১৯দগী লুপা ১,৪৩,৩০০; কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১০৮দগী লুপা ২০,৮৬০; সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১১১৩দগী লুপা ১,৭৮,১০০; কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৮৮৭তগী লুপা ১,২৬,৬০০; তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৮৬৩দগী লুপা ২,৪১,৬০০; নোনে দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২৩৪দগী লুপা ৫২,১৫০ অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২১২৫ দগী লুপা ৪,৭১,৪৫০নি। অদুগা ফেরজেল দিষ্ট্রিক্টতদি ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী অথিংবা অমদি গাইদলাইন থুগায়বা মীওই অমত্তা ফাবা লৈতে হায়না রিপোর্টসিদা পল্লি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা চথুরকপা দ্রাইভ অসিদা ঙসিগী ওইনা পুন্না মীওই ১৭৪ দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা লুপা ৬০,০৫০ ফাইন ওইনা খোমগৎখি। মখা তানসু কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৈঙাক্লা থন্লিবা অথিংবশিং অমদি গাইদলাইন থুগায়বশিং দিটেন তৌদুনা চুনবা লোশিংগী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎখিবনি হায়রি।

মাস ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে

ককচিং, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা চথুরকপা মাস ভেক্সিনেসন কেম্পগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ খন্নাংবা লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে।

সী এম ও ককচিংগী মখাদা সী ঐচ সী ককচিংগী ষ্টাফশিং অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মীওইশিংগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মাস ভেক্সিনেসন কেম্প অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ মশামকসু লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্লিবা মেদিকেল টিম অমদি টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিং লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পা লাকখিবা মীয়াম্বু পূক্নিং থৌগৎখি।

ঙসিগী মাস ভেক্সিনেসন কেম্প অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদা লায়না অসিবু ঐখোয় খূদিংমক্লা মতিক চানা থেংনসি হায়রবদি ভেক্সিনেসন তৌবা নত্তনা উপায় লৈতে। মরম অসিনা মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী মীপায়নিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসিবু থেংননবা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং অদুগা লোয়ননা মীপুম খূদিংমক্লা ভেক্সিনেসন তৌরবদি শাথিরবা মীপায়নিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসিদগী মীপুম খূদিংমক কনবা ঙমগনি। কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংনা লৈকায় লৈকায়গী ভেক্সিন কাপ্তুবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা ভেক্সিন কাপথোক্লনবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপীল তৌরক্লি।

‘লৈঙাক অসিবু থাগৎফম থোকই’

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): সেকমাই এ সীগী ওইনা ঙসি চথখিবা মোবাইল মাস ভেক্সিনেসন কেম্প্যেনদা কংলাতোংবী হিন্দী সেকেন্দরি স্কুল অমসুং লাইরেনকাবীদা পুন্না মীওই ৯৭৭তা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে।

ভেক্সিনেসন কেম্প্যেন চথখিবা মফমশিং অদুদা জোইন্ট কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯গী কো-কনভিনর ওইরিবা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গো, এস দি ও লমশাং অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রেমানন্দ মৈতৈনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা লেম্না চেঙ ফংহল্লিবা অমদি লেম্না ভেক্সিন মীপুম তিংনা ফংহল্লিবা অসিগীদমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎনরক্লি। অদুগা ষ্টেট অসিগী মশাগী পোথোক মতিক চানা অমসুং নেচরেল রিসোর্ছ লৈজদবা, ইকনমিকেল্লি সাউন্দ ওইদবা মণিপুরগুম্বদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু মীয়ামগীদমক হোৎনরিবা অসিদা সেক্সন খূদিংমক্তা লৈরিবা মণিপুর মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক অসিবু থাগৎফম থোকই। এ সী অসিদা পাক শন্না খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা ভেক্সিন কাপ্পনবা অহেনবা থৌরাং তৌরগনি। নোংমত্তদা এ সী অমদা মীওই ৯৭৭ ভেক্সিন কাপ্পা অসি অতাঙবনি। লোয়ননা ভেক্সিনেসন কেম্প্যেন অসি মায় পাক্লা চথনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, এস দি ও লমশাং, এস দি সী, পুলিস, প্রধান অমদি কোভিদ ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংবু থাগৎলি হায়নসু ফোংদোকখি।

‘জিরিবাম এ সীগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরবদি জে টি রোদ চহী ৩দা কোয়লাস থাগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): মতম কুইনা মীয়াম্না শেন্বীনবা হায়জদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা শেন্বীদনা লৈরিবা জিরি টিপাইমুখ লম্বী (জে টি রোদ)গী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা হৌজিক্লা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোওপরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা কে শরতকুমারনা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা হেন্না ফৎতবা মফম অমা ওইরিবা বি-হুংভেংগী লম্বী ঙসিদগী শেন্বা হৌখ্রে। লোয়ননা করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না জিরিবাম এ সীগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরবদি চহী ৩গী মনুংদা জে টি রোদ কোয়লাস থাদুনা অফবা লম্বী অমা ওইনা শেমগনি অমদি মীয়ামগী থাজবা মীহুৎ ওইগনি হায়না কে শরতকুমারনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়খি, লম্বী অসিগী ফীভম শোকচিল্লকপনা গাড়ী থৌবা য়াদবা, চৎথোক-চৎশিন্দা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি কোকহন্ননবা থবক মীৎয়েং চঙবীননবা খুঞ্জাশিংনা হায়রকপদগী লম্বী অসিগী খ্বাইদগী ফৎতবা মফম অমা ওইরিবা বি-হুংভেংদা ঙসিদগী লম্বী শেন্বা হৌখিবনি। বি-হুংভেংগী লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফৎতনা লৈবগা লোয়ননা মপু পান্দ্রবা লম্বী ওইরি। জিরিবামগী এম এল এ মশামক্লা চৎলিবা লম্বী অসি য়েংশিনদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। লম্বীগী ফীভম অসি ফৎতবনা মরম ওইরগা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং হায়বদি চেঙ-চাক পুশিনবা য়াদবা, অনা-অয়েক থোক্লকপা মতমদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্ননবা ঙসিদগী হৌরগা শেমজবনি।

মীয়াম্না নুংশিবীদুনা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখল অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরবদি জে টি রোদ অসি কোয়ালাস থাদুনা নীংথিনা শেমজিনবা অমদি থোংশিং অসি আর সী সীগী ব্রিজ ওইনা ওন্থোকপনা তঙাইফদবা ইথৌদাং ওইগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মার ইনপুই হেদ ক্বার্টরগী জেইন্ট সেক্রেটরি বেঞ্জামিন সাখুমনা ফোংদোকখিবদা, জে টি রোদকী বি-হুংভেংগী লম্বী অসি মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোওপরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে শরতকুমারনা শেমজিনবীবা অসিগীদমক মার কম্যুনিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোংদোকচরি। মখা তানসু লম্বী অসিবু নীংথিনা শেমজিনবীনবা মীৎয়েং চঙবীরক্নি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়নসু ফোংদোরকখি।

ঐচ ঐচ পি টেলি হেল্থ সর্ভিস পীরম্বদু লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): হেল্পিং হেন্দস ফোর পিপল (ঐচ ঐচ পি) মণিপুরনা হৌখিবা জুন ১দগী হৌদুনা ঐচ ঐচ পি টেলি হেল্থ সর্ভিস পীরম্বা অদু জুলাই ৫দগী লোইশিনখ্রে হায়রি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকপনা মরম ওইরগা হোস্পিটালশিংগী ও পি দি থিংজিনখিবা অমদি পেসেন্ট কয়ানা লায়েংফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা ফ্রীদা ওনলাইন ডোক্তর কন্সল্টেসন সর্ভিস অসি হৌদোকখিবনি। নুমীৎ ৩৫ নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা সর্ভিস অসিদা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী অপূনবা ডোক্তর ৩৬না ভলন্টরিলি থোরক্তুনা পেসেন্ট কয়াগী মতেং পাংখি। সর্ভিস পীরিঙৈ মনুংদা অপূনবা কোল ৭১৪ সিরিপ তৌখিবগা লোয়ননা পেসেন্ট ৪৮৪ তোঙান-তোঙানবা ডোক্তরশিংনা ওনলাইনদা লায়েংবীখি। সর্ভিস অসিবু মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ডোক্তরশিংবুসু হেল্পিং হেন্দস ফোর পিপল মণিপুরনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

হেল্পিং হেন্দস ফোর পিপল মণিপুরনা কনা লৈজদ্রবা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু পাংখিগনি। ঈগী মথৌ তারকপা, ঈদি পুথোকপা ঙমজদ্রবা অনাবা কয়াদসু ঐখোয়গী ভলন্টিয়রশিংনা চৎতুনা ঈ পীরি হায়না হেল্পিং হেন্দস ফোর পিপল মণিপুরগী সেক্রেটরি এম প্রেমজিৎনা ফোংদোরক্লি।

টেষ্ট তৌথোক্লবা, ভেক্সিন কাপ্পবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না থেংনবদগী চাং হন্থরক্তবা অসিনা তঙাইফদনা কোরোনা ভাইরসকী চেন অসি থুগায়ননবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তারে। মসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফার্মাসি ফন্লিবশিং, দুকান ফন্লিবশিং, মনা-মশিং অমদি শা-ঙা য়োল্লিবশিংনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌথোকপগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপথোক্লনবা বিষ্ণুপুরগী এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার হঞ্জবম বোবি শর্মানা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি।

নোটিফিকেসন অসিনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ফার্মাসিষ্ট/কেমিষ্টশিং, গ্রোসরি আইটেম য়োল্লিবা দুকান ফম্বশিং, মনা-মশিং অমদি শা-ঙা য়োল্লিবা খূদিংমক্লা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল নৎত্রগা খ্বাইদগী মনাক নকপা সী ঐচ সী অমদি পি ঐচ সীশিংদা চৎতুনা লাক্লিবা জুলাই ১২ ফাওবগী মনুংদা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট (আর এ টি) তৌথোকপগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি। মসিগী মতুং তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা হংলকপা মতমদা ফার্মাসি ফন্লিবশিং, দুকান ফম্বশিং, মনা-মশিং অমদি শা-ঙা য়োল্লিবশিংনা আর এ টি টেষ্ট তৌবগী রিপোর্ট অমদি ভেক্সিন কাপখিবগী সার্টিফিকেট উৎকদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

দলিট এক্টিভিষ্ট ফাদর ষ্টান স্বামীগী মীশিদা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু : সী পি আই

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা দলিট এক্টিভিষ্ট ফাদর ষ্টান স্বামীবু হৌখিবা জুলাই ৫দা মহারাষ্ট্র পুলিস কষ্টদিদা লৈখিদবসি ইন্সটিট্যুসনল মর্দরনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা লৌই। মীশি অসিদা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু হায়না সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ভিমা কোরিগাউ ৱাথোক হৌজিক্লা এনগার পরিষদ কেস হায়না খঙনরবা অসিগা মরী লৈননা এন আই এনা মহাকপু রাঞ্চিদগী ফারগা মহারাষ্ট্রগী তানোজা সেন্ট্রেল জেলদা ফাজিন্দুনা য়ু এ পি এগী মখাদা থন্লকখিবনি। মশাগী চহী য়ামশিল্লকপগী মথক্তা অরুবা লায়না কয়ানা নারবা চহী ৮৪ শুবা দলিট লুচিংবা অসিবু পুলিস কষ্টদিদা ফাজিন্দুনা থম্লবসু মতম চানা লায়েংবীখিদে। মসিদসু নত্তনা মহাকপু ফাবগী মরী লৈনবা কেস ফাওবা ৱায়েল চথদ্রি।

এক্টিভিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা ৱাফম কয়া থোরক্লিবসিগী মতাংদা এন আই এনা শেংদোক্লবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা মহাক্কী মীশি অসিদা চেন্নবশিং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা অহকপা চৈরাক পীনবা সী পি আইনা তকশিনবগা লোয়ননা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা এন আই এনা ফাজিনখ্রবা লুচিংবশিংবুসু অথুবদা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা এদভোকেসি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, নেসনল হেল্থ মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লাইনিংগী লুচিংবশিং, ইমামশিং, চর্চ লিদরশিং, সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা এদভোকেসি মীটিং অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার সামিম অহমদ শাহনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওই লাখ ৩.০৮ রোম লৈবগী মনুংদা মীওই লাখ ১.৬৩ রোম ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। নুমীৎ খূদিংগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ভেক্সিনেসনগী সেসন ২৫গী মথক্তা চথুরি। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা এ সী খূদিংমক্কী মফম অমমমসু য়াওরি হায়খি। এদভোকেসি মীটিং অদুদা ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর, মণিপুর ডা. টি মনিহার অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যের মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. দিনেশ্বরনা রিসোর্ছ পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা অমদি ষ্টেট অসিদা কাপ্লিবা ভেক্সিন মখলশিংগী মতাংদা শুগায়বা ৱাফম থমখি।

মীফম অদুদা ষ্টেট নোদেল ওফিসর, আর কে এস কে, এন অশা, ডা. জুব্লি ৱাহেংবম, সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট ডা. ইন্দিরা, দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর, আই দি এস পি অমসুং ভেক্সিনেসনগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসর য়াওনা লৈঙাক্কী অমদি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবশিং অমসুং সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): বি জে পি জিরিবাম মন্দলনা শীন্দুনা হৌখিবা জুন ২৩দগী হৌরগা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী বার্থ এন্নিভর্সরি অমসুং বলিদান দিবসকা মরী লৈননা উ চারাশিং লেপ্তুনা থারকপগী থৌরম ঙরাং লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ফোটোদা বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী থৌমীশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিরিবামগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা উ চারাশিং থাখি হায়রি।

৭২শুবা বন মহোটসবকা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): চয়োল অমা চুপ্পা চথুরক্লিবা ৭২শুবা বন মহোটসবকা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী সঞ্জেনবম, লোকচাও শান্তিপুরদা লৈবা বেদামনি আশ্রমদা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা ৭২শুবা বন মহোটসবকা মরী লৈননা উ চারা থাবগী থৌরম অমা য়ুম্নাম চাওবনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না বেদামনি আশ্রমগী ক্যের টেকর থোঙাম ধিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা সেন্টর ওফ ইন্দিয়ন ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হায়খি, বন মহোটসব থৌরমগা লোয়ননা লুচিংবশিংনা অমদি মরী লৈনবশিংনা উ চারা থাবগী থবক খক্তমক পাঙথোকপা অসিনা মালেমগী অঙৗং-অশাগী খল অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাকপা ঙম্লোই। অঙৗং-অশাগী খল অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাক্কে হায়রবদি মসিগী থবক অসি নুমীৎ খূদিংগী চথুগদবনি হায়না ফোংদোকখি।

থৌরম অসিদা মরুওইবা ৱাঙাংলোয় ওইনা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন্স মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং মরুওইনা মালেমদা অঙৗং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি কোকহনগে হায়রবদি লৈঙাকপশিংনা মরিক চুম্বা থৌশিল থৌরাং অমা অথুবদা শেমদুনা পায়খৎপা মথৌ তাই। থৌরাং অদু পুন্নমক্লা তঙাইফদনা ঙাক্লা চৎলগা থবক ওইনা পাঙথোকপা চঙই হায়নসু ফোংদোকখি।

বেদামনি আশ্রমনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লোকচাও শান্তিপুরদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মশা-মশানা ময়ুমদগী পুরকপা মখল-মখলগী উ চারাশিং থাখি হায়নসু চেরোলদুনা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, চহী খূদিংগী জুলাই থাগী অহানবা চয়োল অমা চুপ্পা চথনরিবা ৭২শুবা বন মহোটসব ২০২১গী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর, কামজোংগী ষ্টাফশিংনা কসোম খুল্লেন রেঞ্জগী মখাদা লৈরিবা খন্নাং অমদি সোমরৈ ভিলেজদা খুঞ্জাশিংগা লোয়নদুনা উ-চারা ১৯৮০ থাখ্রে অমদি উ চারা পাম্বী ১০৫০ খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এফ ও কামজোং এস দব্লিয়ু সুইসা, দি এফ ও থৌবাল, আর এফ ও ফুংয়ার, আর এফ ও কসোম খুল্লেন, এ দি সী, য়ুথ ক্লব অমদি ৱিমেন্স সোসাইটিগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি। উ চারাশিং অসিবু নীংথিনা থাবীবগা লোয়ননা ঙাক শেনবীয়ু, মসিনা গ্লোবেল ৱার্মিংদগী কন্দুনা অকিবা লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না দি এফ ও কামজোং এস দব্লিয়ু সুইসানা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা শন্বে পুরুম রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুথ ওর্গনাইজেসন (কে ঐচ য়ু কে ৱাই ও)না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা উহৈ পানবা উ চারা থাখ্রে।

কে ঐচ য়ু কে ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম সঞ্জিৎনা হায়খিবদা মপুং ফাবা গ্রীন মণিপুর অমা ওইহনসি হায়রবদি ঐখোয়না ঙসি উহৈ পাম্বী কয়া থারিবা অসিদা নত্তনা চীংদা মপুং ফানা হৌরিবা উপাল কয়া অসিসু ঙাক শেনবা তঙাইফদে। মরম অদুনা কে ঐচ য়ু কে ৱাই ওনা ফোরেষ্ট এরিয়াশিং কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা উহৈ ওইনা চাবা য়াবা থৈবোং, জাম, হৈনৌ, পুংদোননচিংবা উ চারাশিং থাবগী থবক চথবনি। উহৈ পাম্বী পাক শন্না থাবা অসিনা ইনভাইরনমেন্টসু কনবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন্দসু কান্নবা শোয়দনা ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা অখন্নগা শরুক য়াখিবা জপানিজ লেংগ্বেজ এক্সপার্ট ভিক্টর চিংশুবমনা হায়, জপানিজশিংনা মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরক্লবা লম্মীৎ-তুমীৎ নীংথিনা খঙবদা নত্তনা মমা লৈবাক জপানগুম নুংশি। জপানিজশিংনা মণিপুরদা লাকপা খূদিং অমদি জপানদা ৱার্কশোপনচিংবা পাঙথোকপদা মণিপুরগী মতাংদা অদুম্মক তৎতনা নীংশিংনৈ। মখোয়না মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরিবা উমংশিং কায়দনা থম্নবা হোৎনবদা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা ফুমখিবা পোৎলমশিং মফম খঙবা লৈদুনসু শোক্ত্রিবা কয়া লৈ। ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী শন্বে পুরুম রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া অসিদা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা খুৎ থোক্লখিবা মফমশিং অহল কয়ানা পাউদম্নবা লৈরি। হায়রিবা চীং অসিদা জপানিজশিংগী মোংফম লৈ হায়বদু খঙদোক্তুনা জপানিষ্টশিংনা পাক শন্না থাবা উ মখল খরা মফমসিদসু থানিংবগী অপাম্বা লৈ হায়নসু ফোংদোকখি। থৌরমদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীহুৎ ওইনা এ গাফোরসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বন মহোটসব ২০২১গা মরী লৈননা মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না তদুবী সার্কল য়ুথ ফোরমগা খুৎশম্নদুনা ইসিফি এদ্যুকেসন সেন্টর চিসারি, চোৱাইনামৈ ভিলেজদা উ চারা কয়া থাখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ, এন কাইসিনা হায়খি, ইনভাইরনমেন্ট ফনা লৈহন্নবগীদমক উ পাম্বী খূদিংমক য়াম্না মরুওই। ঐখোয়না উ পাম্বী অমা হেক থাবগা পাম্বী অদুবু মপুং মরৈ ফানা হৌহন্ননবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়নসু ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট সেনাপতিগী ওফিসলশিং অমদি মাও ষ্টুদেন্টস চোৱাইনামৈ সেনাপতিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।